# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ১০৮

ডা. এল শশীকুমার, য়ূরেম্বম

**অচুম্বনা জয় ওইগনি।** ৱাফমসিবু চুল্লিব্রা? মরাল লৈতবা মীচম কয়া হাৎতোকপীখ্রে। মসিমক মীয়াম্না শাখিনি। ঙসি ফাওবদি মরাল লৈবশিংনা হরাউ তয়াম নোক্লা খেনা লৈরি। করম্বা মতমদা করম্বা চহীদা অচুম্বগী মফম কল্লগদৌরি। নীংবা কায়বা মচা মশু, মচিন-মনাও, নুপী-নুপা কয়াদি মীৎলুগী পিরাং কংদবমখৈ খাঙনরি। খাঙবা ঙম্বগী পাঙ্গল শক্তি পূন্নমক মাঙশিল্লক্কদৌরে। অচুম অরান হায়বসি মীনসু খঙনৈ, লাইনসু শোয়দনা উরমগনি। মরাল লৈতবা নহারোল লিশীংগী মথক্তা হাৎপীখ্রে। মী হাৎপশিং ঙসি ফাওবা অমত্তা মরালগী চৈরাক পীবগী মহুত্তা মীনাই মীশল কয়ানা ঙাক শেন্দুনা মোন্তেক মোন্দুমদা য়াওন্দুনা নোক্লা খেনা মতম লেল্লি।

হে তাইবঙবু শেম্বীরিবা মপূ অমমম অঙান খাইরিবা, অয়ূক নুংথিলগী পোরমদি ঙসি ফাওবা হোংদনা থম্বীরি। অদুগা অচুম্বা, অরানবা অনীগী মরক্তা ময়েক শেংহনবা ঙমদবসিবু করিগীনো? অতোংবদা লৈথোনবা অকুৎপদা লৈতৌবা মসিবু অচুম্বগী খোঙথাং অমরা? ঙসিগী চাওখৎলবা ২১শুবা কম্প্যুটরগী চক অসিদা নোংমা নোংমগী আইনগী মায়োক্তা চত্থরক্লিবা আইনবু শেঞ্জাউ পায়বশিংগী খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবিদুনা তোল্ল-তারবশিংগী তেংবাঙবা মতম ওইদ্রিবরা? ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টি, ঙসিগী ফম্নাইবশিং মীয়ামগী অৱাবা উশিন্নদবশিং মখোয়গী মীৎয়েং নখোয়গী ৱাখল চুল্লিবরা? খন্থবা তাঞ্জা য়ৌদ্রিব্রা? মীয়াম মরক্তগী করম্বা ঈহৌ, করম্বা অওনবা পুরকপা পাল্লিবনো? ৱাহং চাম্মা চাম্মা লেপ্তুনা চোঙথোরকখি। ভোটকী মতমদা মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বশিং ঙম্নমক পাঙথোক্কনি লাউরম্বশিং ঙসি ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবগুম তুমিন লৈশিনবদি শেঞ্জাউ পায়বশিংগী লুপাগী মন্ত্রনা পূন্নমক শুমজিনখ্রবরা?

ঙসিদি মীচম মীয়ামশিং পেন্নদবগী খোল্লাউসু নেমথখ্রে। অতুম্বা মৈগী চীং ওইনা লৈখ্রে। অশিবশিংতগী মরাল ওইহল্লগদ্রা? ঐখোয়গী আইন ৱায়েল পূন্নমক অরেম্বা তাহল্লগদ্রা? চীং-তম অনীগী শেংলবা চেৎলবা নুংশি-চান্নবগী মরীবু মাঙহল্লগদ্রা? নুংশিনবা, চান্নবগী মরী হেক মাঙহল্লবদি অতুম্বা মৈগী চীংজাউ পোকখায়রকপা মতমদা মন্ত্রি-ওফিসর অচুম্বা অরানবা পূন্নমক মাঙমিন্নবা তাবনি। মদুগী মতম ঙাইরিব্রা? মীচম মীয়ামশিং লোন থোক্তবগুম তুমিন তুমিন লৈরিবশিং ইচম চম্না তরাই তরাইনা, থওই ৱাওইদনা খন্দোকপা য়ারক্লোই। লৈঙাক ১০নি। য়েক্লবা চাম্মা চাম্মনি। মীশক চাম্মা চাম্মগী মচিন মেনবা খক ওইথোক্লোই। মৈরিক্তগী মৈজাউ, মৈজাউদগী প্রলয় ওল্লক্কনি। ঙসি-হয়েং হায়না মতম য়ৈথোকপা খক য়াররোই। ঐখোয়গী নহারোল ঐখোয় য়াওল্লোয়শিং মশীং থিঙমদনা মফম খুদিংমক্তা খোঙফম শেম্নরিবা করিগী খঙশিনদবনো? করিগী উশিন্নদবনো? ভোট মমাঙদা লাউরম্বা ভোট কাখ্রগা তাশিন্নদবদি অচুম্বগী খোঙথাং নত্তে। মীওইবা ঙসি ফাওবা অমর নত্তে। অফবা থবক্কী মতম য়ৈথোকপা অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। ঙসিদি শক্তি, পৱর পূন্নমক নুংশা মঙালদা লেন্না তুম্বগুম তুমগদৌরিবরা? ঙসিগী মীয়াম খাঙমদ্রে। আইন হায়বসি মীনা শেম্বনি। আইন শেমদোকপসু মীনা শেমদোকপনি। আইনবু শেমদোকপা নখোয়গী নখূৎতনি। অচুম-অরানদি লেংদনা মীয়াম মমাঙদা চাউনা নোংম-নোংমগী চোঙথোক্লি। অপং-অশিং ময়েক শেংলকই।

মৈতৈ লৈবাক্তা নহারোল য়াওল্লোয় মশীং কয়া নারক মোংশোংদা চাবা, থবক খঙদবমখৈ খাঙলি। মীচম মীয়ামসু অচুম্বগীদমক লেল্লি। নহারোলশিং, মীচম মীয়ামশিং কয়াম কুইনা লেনখিগদগে? ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টি, অখঙ-অহৈ, অশিংবা শাবশিং মতম লৈরিঙৈ, খোঙফম শেমদুনা লৈবা য়াররোই। ভোট মমাঙদা নখোয়না লাউরম্বশিং মীয়াম্না শাখিনি। থবক ওইনা ময়েক শেংনা পাঙথোকউ। মতম অমদা লাউরম্বা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি পূন্নমক তুম্না মাঙখ্রে। নখোয়সু ময়েক শেংনা খঙনা উনরবনি। নোংসিদা ঙানখিসনু, নুমিৎসিদা তাখিসনু হায়বগী মতম নত্তে। ঙসিগী মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি। ফেক এনকাউন্টরদা হাৎখিবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীয়ু। তোম্বীস্না স্কুলদগী ফংবা মীকোকশিং কদাইদগীনো? মরাল লৈবশিং কদোমদা থৈখ্রে। ইম্ফাল মনুংগী নুংথিল পোবোবকী মীহাৎ কমদৌখ্রে। মীয়াম্না লেংদ্রবা শাখিনি। চীংয়া-তময়া লমহাংদা হুন্দোক্লকপা কয়াবু মশাগী মরাল ঙাক্তা ওইরদ্রা? শাশিন্নবা মীহাৎকী মতিক চাবা চৈরাক কদোমদা থৈবীখ্রে। মীয়ামগী মরল-মথুম মাঙহনখিবশিং, লোক্তাক শেংবগী ৱাথোক, ইম্ফাল মনুংগী কেমেরা খিনবগী থৌদোক অমদি শেঞ্জা থুমজাগী কেসশিং কমদৌনা থৈদোকপীগদৌরিবা? নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংদে, ৱাথোক লাক্ত্রবদি ঈরাং হৌনদে। অমগী মথংদা অমা ননশিন্নদুনা কাউথোকপা খক য়াররোই। মরাল লৈবগী পীবীফম থোকপা চৈরাক পীদ্রবদি মখা তাবদা হেন্না হেন্না নৈনরক্কনি। অচুম্বগীদমক হোৎনবীয়ু। অচুম্বা থিরিবা মীয়াম অরানবনা কুপশিনবা খক য়াররোই। লুপা ক্রোর ক্রোর, মীয়ামগী মরল-মথুম হাৎলগা খরা লাউশিন্নবনদি অচুম্বা খোঙথাং পুরকপা য়ারোই। মীয়ামগী লন-থুম মীয়ামগী মখূৎতা শিন্নগদবনি। মরাল লৈবশিং মতম খরা জেলদা থম্বনা অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। মীয়ামগী মরল হুরানবদি ফাঁসি তৌদুনা মীয়াম মমাঙদা হাৎকদবনি। ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসি, মণিপুরগী লৈঙাক ঙসি চত্থরক্লিবা ৱায়েল মীয়াম্বু নমথাক তৌবনি। লুপা ক্রোর ক্রোর হাৎলগা জেলদা মতম খরা থম্বনদি মতুংদা অমুক হন্না তৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসিনা মখল মখা কয়াগী ৱাথোক হেনগৎলক্কনি। মণিপুরী হায়বা ফুরুপসি শিবা কিদবা, অচুম্বগীদমক কত্থোকপা ঙম্বা মীগী মশীং নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্কনি। মণিপুরদা আইন অসিবু ফাগী তাহল্লিবসি কনাননো খন্থবা চুমগনি। নম্বর ফোর গ্রাম ১/২ ফাবদি জেলদা থম্মী। অদুগা নম্বর ফোর কেজি, কেজি ফাবদি জেলদা থম্নদে মসিবু অচুম্বা আইন অমরা? য়ুনচিংবা করবার মচা মচা তৌবশিং তোয়না ফাই। অদুগা করবার অচৌ অচৌবশিং তৌরম্বা অমত্তা ফাদবগুম, নম্বর ফোর অমদি তোঙান তোঙানবা মখল মখাগী করবার তৌবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীদবসিদি হীরম শোমদা করবার চাউনা চাউনা তৌবা তান্নরকপনি।

মতাংসিদা হেন্না কূপ্না হায়জনীংবদি ঐখোয়গী আইন্না ঐখোয়গী মীচম মীয়ামশিং ৱাখল তাহনগদবনি। অচুম্বা, অশেংবা চৎন-কাঙলোন চপ চানা ঙাক্লা চৎনরবদি কৈদৌনুংদা ৱাথোক লান্থোক থোক্লোই। আইনগী ওইবা অচুম্বা অশেংবা থাদোক্লরকপদগী ৱাথোক ওইরকপনি। মসিমক ঐসু মীগী মাসু চৎন-কাঙলোন ঙাক্লা চৎনরক্তবদগী থোরকপা ঙাক্তনি। ঐখোয় খুদিংমক্লা অচুম্বা অশেংবা ঙাক্তা চৎনরবদি ৱাথোক খক লাক্লবগী পোরম লৈফম থোক্তে। খুদম অমত্তং পঞ্জরবদা লম্বীদা গাড়ী থেঙ্গাইনরিবসি মাগী মাগী চৎনফম থোকপা লম্বীদা চৎনরক্তবা য়াওবদগী থেঙ্গাইনবনি। ৱাফমসি য়ানীংফম থোক্তবরা? হৌজিক দেমোক্রেসি চৎলিবা ইন্দিয়াগী মফম খুদিংমক্তা শেঞ্জা থুমজা তৌদুনা চৎন-কাঙলোন শোয়থরকপদগী থোরকপা ৱাথোকশিংনি। ঐখোয়গী ইরমদমসিদসু ঐখোয়গী ইকায়খুম্নজরিবা নোংথোম্বম বিরেন চীফ মিনিষ্টরগী লৈঙাকসিদা মাগী কেবিনেট মন্ত্রিশিংনা কাঙলোন চুম্না চত্থরবদি ঈংনা চিক্লা শান্তি ওইনা মাগী টর্ম শুনা চৎপদা নত্তনা মতম শাংনা লৈঙাকপা ঙম্ফম থোকই। অদুবু মাগী মন্ত্রিশিংনা চুম্না শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমরা হায়বসি মণিপুরগী মীয়াম্নদি ময়েক শেংনা খঙনরিবনি। তরু তরুবা শেঞ্জা থুমজা লৈতবা লৈঙাক অমরা হায়বসি মণিপুর মীয়াম্না শাখিনি। নহা ওইরিবা এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা ঐনা ঐনা পায়রিবা ফমশিংদা কদাই ফাওবা থম্মোয় শেংনা চত্থরিবগে হায়বসি খন্থবীফম থোকই। মতাংসিদা লৈঙাক্কী এম এল এ, মন্ত্রিশিংনা তুং-মাং, নাক-য়েৎ য়াম্না কূপ্না য়েংবীফম থোকই। এম পিগী ইলেক্সন কুইদ্রে। পোলিটিকেল পার্টি ময়াম্না ফোংনা ফোংনা লাউথোক্লরক্লগনি। অখঙবা খঙদবা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাফম ফোঙদোক্লরনি। অচুম্বা লৈঙাক অশেংবা লৈঙাক্কী মশক মকা লাম্না হায়দোক্লরক্লনি। অদুবু অফবা ফত্তবা খুদিংমক মীয়াম হুপ্না তানরনি। হুরানবা মচা, হুরানবা অচৌবা, অচুম্বা-অশেংবা থিনরক্কনি। চেন্দুনসু য়াররোই, নাথৈদুনসু ওইররোই। তেল্লবা মতম খরসিদা ঙাঙথোক্লখিবা, থবক খুদিংমক থবক ওইনা পাঙথোকপা মতমনি। লৈঙাক পুমিন্নরিবশিংগী মরক্তা থম্মোয়দা থৌনা ফনা ইচং থৌনা থবক ওইনা পায়খৎতবা য়াওরল্লোই হায়বসি খঙনা খঙনা লৈঙাক পুমিন্নবসি তরাইবা নত্তে। ঙানা ৱা ঙাংলগে তৌবদা ঈশিংনা পল্লি হায়বসু লৈতবা নত্তে। ঐখোয়গী মাংদা তারিবা আই এল পি, ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট, মমাঙগী লৈঙাক্লা চত্থরম্বা শাশিন্নবা মীহাৎ, শেঞ্জা থুমজাগী কেস অমত্তা থবক ওইনা পায়খৎতবসি মীয়াম্না ঙাইনরিবা লমন শিংবা নত্তে। অচুম্ববু অশেংবা ওন্থোকপনি। অচুম্ববু অশেংবা ওন্থোকপা ঙমদ্রবদি ঙাঙথোক্লুবগী ৱাহন্থোক করিনো? লৈঙাক্লা অচুম্বা খরদং মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি লৈঙাক পায়রুবগী ৱাহন্থোক লৈতে। বন্দ লোইখ্রে। ব্লোকেদকী পাউ তানখিদ্রে। অমুক লাক্লরোই হায়না খনবদি তরাইবা নত্তে। মণিপুরবু থুগাইগনি খল্লিবশিং খোংফম শেম্নরি। আই এল পিগী ঈহৌ লাক্লরোই হায়বা তম্বা ঙম্বা নত্তে। ইন্দিয়াগী মনুংদা শেঞ্জা থুমজা, মীয়ামগী মরল মাঙহনবদা ইন্দিয়াগী মনুংদা মণিপুরসু তোপ পায়নরিবা লমদমনি। চহী খরদং মন্ত্রি, এম এল এ ওইরুবদা ৱাংখৎনরক্লিবা হিংবগী শক্তম চপ চানা থবক ওইনা খরদং উহনবদা মীয়াম্না থম্মোয় শেংনা ভোট নিরুবগী মহুত্তা ভোট থাদজগে চোঙথোরক্লবা শেম শান্নরি। নীংবা কায়বা নহারোল লিশীং লিশীংনি। শেঞ্জা থুমজানা মরল লেপশিনবদি চাম্মগী মনুংদা অনীখক্তনি। লৈঙাক পায়রিবশিং হুরানবগী তরানি, মপূগী নোংমা কাউনরগুমসি অচুম্বা থিরিবা মীয়ামনি। অশেংবা পাল্লিবা মীয়ামগী মরক্তা লুচিংপুরেল ওইবীয়ু। মীয়াম পূল্লরনি, মীয়াম খোঙফম শেনবা লোইরে। মীয়াম ৱাখল খরদি তানরে। মীয়ামগী লুচিংবা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল দল ওইবিরো কঙাওনরবা মীয়াম, কঙাওনরিবা নহারোলশিংগী লমজিং পুরেল ওইরক্লি। অচুম্বগী জয়, অচুম্বগী মফম কনমিন্নরসি, অচুম্বগী মফম কল্লসি।




# নুপী মানবীরা নৎত্রগা নুপী শাবিরা

ডা. শর্মিলা থিংবাইজম

**অঙাং** পোকপা মতমদা অঙাংদু নুপীরা নৎত্রগা নুপারা হায়না হেক হেক হংনৈ। অদুবু হৌজিক্তি ত্রান্সজেন্দর ওইনা পোক্লে হায়না তাবা ফংলকপসু য়ানা লৈরে। পোক্লক্কদৌরিবা অঙাংদু নুপীরা/ নুপারা খঙদোক্লনবা হৌজিক-হৌজিক মেদিকেল সাইন্সনা শীজিন্নরিবা সোনোগ্রাফি হায়বা খূৎলায়সিনদি ত্রান্সজেন্দরশিংবু হান্না খঙদোকপা ঙমগদবা মান্দে। অদুনদি অনৌবা খূৎলায় অমা অমুক পুথোক্লবা মখা তানা রিছার্স তৌবা তারক্কদৌরিব্রা?

লাইনা শেল্লকপদা নুপী অমদি নুপাগী সেক্স ওর্গান্দি অনীখক্তনি। অহুমশুবা মখলগী সেক্স ওর্গানদি কমদৌবা তাব্রা? হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ফোর্ম মেনশিনবদা ত্রান্সজেন্দরগী তোঙানবা ওইবা কলমদি থেংনদ্রি। মখোয়গী ওইবা তোঙানবা টোইলেট, ক্যু লেপফম, পুলিসকী লোক-অপ, জেলগী কা, ক্লাস রুমগী ফান, বসকী সিটনচিংবদি কয়া উবা ফংদ্রি। উমংলাই হরাউবুংদা, শোরাৎ, লুহোংবনচিংবা ইনাৎ-লাইনীংগী থৌরমশিংদা মখোয়গী ওইবা তোঙানবা ফমফম ফিদা পীবা য়াগদৌরিব্রা? ত্রান্সজেন্দরশিংগী দ্রেস কোদ অসিনা করি ওইগদৌরি? ইবুংঙো-ইবেম্মা, ইচে-ইতৈমা, তাদা-মাম্মনচিংবা মীঙ্গৌ-থাগৌশিংসি ত্রান্সজেন্দরশিংদদি শীজিন্নবা য়ারক্কদবসু মান্দে। মখোয়সি তাইবঙ মপূ মহাক্কী ওন্থোক্লা অঙকপা খূৎশেমনি। মসিগুম্বা কাঙলোনসি অতোপ্পা থৱায় পানবশিংদসু লৈ-লাকপ্রা ওন্থোক্লা খঙনীংখ্রে।

ত্রান্সজেন্দর হায়বা ৱাহৈসি ঐখোয়গী লোন্দনা করি হায়না খঙনগদৌরিবনো? ত্রান্সজেন্দরশিং অসি মখল অনী অমুক শুরি। নুপী মানবী হায়বা অমা, নুপা মানবী হায়বা কাঙলূপ অমা। পোল্লকপদদি নুপা ওইনা নৎত্রগা নুপী ওইনা পোল্লকপা ঙাক্তনি। অঙকপনি চাউরল্লগনা নুপীগী মচৎ নৎত্রগা নুপাগী মচৎ হেক্তা চৎলক্লিবসি। তাইবঙ মপূনা অসিগুম্বা কুম্মৌসি করিগী শান্নরিবনো হায়বসি খ্বাই মীয়াম্নসু শোয়দনা খঙনীংলমগনি।

লাবা অমসুং অমোম হায়না খঙনবা অসি তাইবঙ মী ঐখোয়গীদি নুপা-নুপী হায়না খঙনৈ। নুপা নুপী হায়বা সেক্সকী কি তোঙান-তোঙানবা মথৌ অসিগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা খুন্নাই, ফুরুপ-কাঙলূপকী নাৎ চৎনবী, থাজনবী খেন্নবগী মতুং ইন্না নুপী অমসুং নুপাসি য়াম্না খেন্নহল্লি। নুপী অমসুং নুপাগী থৌদাং, শক্তম, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, লমচৎ-শাজৎ পূন্নমক খেন্নহল্লি। পোকপা মতমদা নুপাগী সেক্স য়াওনা পোল্লক্লগা নুপাগী ওইবা জেন্দর অসিদগী ওন্ন তৈনবা মওংদা লৈবা হায়বদি মীওইবা খুন্নাইনা শেন্বা নুপাগী মশক, লমচৎ, ফিজেৎ-চাকচা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙনচিংবা কয়াবু ইন্নীংদবা মীওই কাঙলূপ অমা লৈরি হায়বসি ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টনা শকখঙখ্রে অহুমশুবা জেন্দর ওইনা লাউথোকখ্রে হায়বসি অচৌবা পুৱারী অমনি।

ৱায়েল লোইশঙনা শকখঙলিবা অসিদা নুপা মানবী হায়বদি নুপী ওইনা পোল্লগসু নুপাদৌনা তৌবা কাঙবুসু য়াওরি। অদুবু খন্নবা য়াবা ৱাফম অমনা হায়রিবা নুপা মানবীশিং অসিগা খুন্নাইগী মীনোক-মৈশা, হন্থনা য়েংবীবা, নোক্লবীবা, মীরাইবীবনচিংবা সোসল ইস্যুশিংগা মরী কয়া লৈনদে নুপী মানবী/শাবীশিংদা নংলিবা অৱাবা কয়াসিগা য়েংনরুবদা। মালেমগী হ্যুমেন রাইটস বোদি কয়ানা থাগৎনখিবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অদুনা ত্রান্সজেন্দরশিংবু শকখঙবা হায়বসি মখোয়গী মী ওইবগী রাইটকী ইস্যু অদু শকখঙলবনি। সোসল এন্দ মেদিকেল ইস্যু খক্তা নত্তে। ইস্যুশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইবা ‘সনাদি সনানি’ হায়বা মণিপুরী ডিদিটেল ফিল্ম অমসু মীয়াম্না য়েংনখ্রবনি। কোর্টনা ফনা শকখঙলবসু, আইনগী চৈঙাক কয়া পীরবসু খুন্নাইনা মখোয়বু ফোংনা নৎত্রবসু থম্মোয়নুংদা নোক্লবা, হৈনদবনচিংবা কয়া ফাওরিবসিমদি পাক হেক কোকহনবদি খরা ৱানা থোক্কদবা মাল্লি। শুম য়েংনবদদি খুন্নাই অসিনা নুপা মানবীশিংদা য়েংনরিবা মীৎয়েং অসিনা নুপী মানবীশিংদা য়েংলিবা মীৎয়েংদগীদি য়াম্না শাফব্রা হায়নসু খল্লি। গে, বাইসেক্সুয়েল, লেসবিয়ন্নচিংবা কয়াদি ৱায়েন লোইশঙগী রাই অদুনা কোনশিন্দে। খুন্নাইনা ওইহন্নীংলিবা নুপাগী জেন্দর রোলশিং অসি পামদ্রে, হৈনদ্রে, ইশাগী তোঙানবা জেন্দর অমা লৈজৈ হায়দুনা মশক তাক্লবা হোৎনবা, ওপোজিৎ সেক্সতা ইন্দ্রিগী অপাম্বা ফাওদবা, লোৎশিন্দুনা লৈতবা কাঙলূপশিংবু অহুমশুবা জেন্দর ওইনা শকখঙবনি। সোসিএল্লি এন্দ এদ্যুকেসনেল্লি বেকৱার্দ ক্লাসকী কাঙবুনি হায়বগা লোয়ননা মখোয়বু মাইনোরিটিনি হায়নসু লৌরি।

সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অদুদা ত্রান্সজেন্সর ওইনা চিংগদৌরিবা কাঙবুশিংদি হিজরশিং, কোথিস, শিব শক্তি, অরাভেনিস অসিনচিংবনি। মণিপুরগী নুপী মানবীশিং অসি কোথিস হায়বা কাঙলূপসিদা চল্লি হায়রি।

মীগী লমগীদি খঙদে। ঐখোয়গী খুন্নাইদা নুপী মানবীশিংনা নুপী শাবী ওইরিবা করিগীনো? নুপী মানবী ওইবদি করিসু কায়দে, মমা পূক্লুংগীনি। জিনগা মরী শোয়দনা লৈনরমগনি। লীলা-দ্রামাসু নত্তবদা ফনেক্কা শেৎচিন্দুনা নুপীদা-নুপীদৌনা মতৌ তম্লগা মীরক্তা থোরক্লবদি মদু খুন্নাই অসিগী চৎনবীদা কায়রোইদ্রা? নুপানা নামৈ থাবা য়াব্রা, ফনেক শেৎহৈব্রা? অৱাথবী পাম্বী অমদি য়োংচাক পাম্বীনচিংবদা ফনেক শেৎচিল্লগা উহৈ পান্নবা কাঙলোন অদুনা অমনি। নুপা মানবী/শাবীদুনা মপাগী শোরাৎতা ফৈজোম শেৎলগা য়াওবা য়াগদ্রা? মৈতৈগী উমংলাই হরাউবুংদা নুপী মানবীশিংনা মাইবি শাদুনা ফনেক অমদি শারোংগা শেৎচিন্দুনা জগোয় শাবসি চুমগদ্রা?

নুপী মানবীদি খুন্নাইনা থিংবা খক ঙল্লোই। অদুবু লীলা-দ্রামাদা নত্তনা অতোপ্পা মফম মতমদা নুপানা ফনেক শেৎপদি খুন্নাইসিদা হান্নদগী চৎনরক্তে। নুপী মানবী হায়বসি লমদমসিদসু লাই হাক্তকতগী অদুম লৈরল্লবনি। ফনেক্তি খক শেৎলক্তে। করম্বা মতমদগী কনানা হৌদোল্লকখিবা চৎনবীনো খঙদে। নুপী মানবীনা খোঙগ্রাউ, সলৱার, মেদি, স্কর্টনচিংবা ফিরোল শেৎপদি ঐখোয়গী খুন্নাইগা মরী লৈনদবা ফিজোলশিং ওইবনা য়াই/য়াদে হায়দু হায়বা ঙমজদে। মৈতৈ নুপানা নামৈ হাপ্তবা ফনেক্লুম্বা পোত্তি শেৎপা শুকয়া য়াদবা, নুপা-নহানা ফনেকপু মফম-মতম চাদনা শোকপা য়াদবগী চৎনবীফাওবা লৈরিবনি।

থায়নদি লীলাগী নুপী শাবীশিংদু অয়াম্বনা নুপী মানবী ওইরমদে। ঙাইহাক্তংগী ওইনা নুপীগী শক্তম লাংবগী ৱানি। লীলা হেক লোইখিবদা অদুম নুপাদা নুপানি। ময়ূম-মকৈ পান্দুনা মচা-মশু পোক্তুনা লৈনরম্বা ঙাক্তনি। কদোমদগীনো খঙদে হৌজিক্তি লীলাদা নুপী মানবীশিংনা নুপীগী শক্তম লাংনরকপদগীদি খুন্নাইসিদা নুপী শাবীশিংগী মশীংসি খঙহেন হেনগৎলকখিব্রা হায়নসু নৈনবা য়াই। নুপী মানবদগী হেন্দোক্তুনা পুরা নুপী শানীংবগী নৎত্রগা ওইনীংবগী মতৌ অমা উৎলিবসি মমা হায়বদুগা ওইনীংলিবজাৎলা? তশেংনা ওইববু য়াগদৌরিব্রা? মেদিকেল সাইন্স চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না সেক্সুএল ওর্গান শিন্দোকপা ঙল্লে হায়দুনা লাই খূৎশেম থুগাইবদি অশিংবা অমদি অফবা খক ওইরোই। মনানা হৈমাং খক ওইবা য়ারোই। চৎনবীগী ৱাংমদা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌনবা হোৎনরল্লবদি মদু খ্বাইদগী লাইবক থিবা হায়বদু ওইগনি। নুপী নুপা হায়বসিদি লাইনা চাদা-নাওদা শন্দোক্লনবা তাইবঙ কুম্মৈ শান্ননবা শেল্লকখিবা ওইগনি। অদুগা ত্রান্সজেন্দরশিং অসিদি হীরমসিদা করি থৌদাং লৌগদৌরিবনো? ৱাঙাঙ-শঙাঙ, খূৎচৎ-লাকচৎ অমদি অতৈ অতৈদা নুপীগী মওং-মতৌ হায়রপ তৌবা অদুগা নুপাদৌনা অদুম হিংননবা হোৎনবা নুপী মানবী কাঙবু অমসু লৈরি। মখোয়দুসু ত্রান্সজেন্দরগী কেটাগোরিদা চনগদ্রা? খুন্নাইনা নুপী মানবী/শাবীশিং অসি করিগী নোক্ল রিবনো, করেম-কথাইনরিবনো হায়বসিসু কূপ্না নৈননীংঙাইনি। নুপী মানবী অদুনা আই পি এস ওফিসর ওইদুনা য়ুনিফোর্মদা লাকপদা কনানসু লক্লরোই হায়না খল্লি। অদুনদি ত্রান্সজেন্সরনা খুন্নাইসিদা চৎনরিবা জেন্দর রোলশিংদু খঙনা চৎপা মথৌ তারি। নুপী মাল্লি হায়দুনা নুপীগী ইকায়খুম্নবা শোকপা মওংদা ফিজেৎ-চাকচা, লমচৎ-শাজৎ, ৱাঙাঙ-শঙাঙনচিংবা কয়া চত্থরল্লবদি মদুদগী করি-করি পামদবা থৌদোকশিং থোরক্কদগে হায়বদু অমুক্তং খন্থদুনা য়েংমিন্নসি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নুপী খুন্নাইনা ৱা ঙাঙলকপদি কয়া তাদ্রি।

হৌজিক ফাওবদা লমদমসিগী ত্রান্সজেন্দর মরুওইনা নুপী মানবীশিং অসি এদ্যুকেসনেল্লি বেকৱার্দ খরা ওইজরবসু শেন্থোক লম্বী অদুম ওইবা য়ারবা ভোকেস্নেল কোর্স হায়বদি (১) ফেসন দিজাইনীং - মোদেলস, দিজাইনরস, ব্যুটিসিয়ন্স (২) এন্টরটেনমেন্ট ইন্দষ্ট্রি- ফিল্ম, দ্রামা, শুমাং লীলা, দান্স এন্দ ম্যুজিকনচিংবদা খোঙদাদুনা খুন্নাইসিগী শেম্নীৎলোন্দা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙলি হায়বসিদি য়াম্না চুল্লবা অমদি চাউথোকচনীংঙাই ওইবা ৱাফমনি। ত্রান্সজেন্সরশিং অসি নুপীগী মতিক ময়াইসু য়াওবা অমদি নুপাগী মতিক ময়াইসু চপ চানা চেনবা হায়বদি জেন্দর অনীমক্কী কেরেক্টর তুনা য়াওবা অমদি এক্সত্রা ইনর্জি এন্দ এক্সত্রা টেলেন্টসু য়াওবা মরম্না মখোয় মশা মশানা মশাগী Talents, Energies, Aptitudes, Capabilities, Interests নচিংবা কয়াদু Rediscover তৌজদুনা অতোপ্পা জেন্দরশিংনা ঙমদবা অঙক-অঙকপা থবক কয়া পাঙথোকপা শোয়দনা ঙমগনি হায়না খল্লি।

ৱাফম কয়াসিসু লৈরে লোয়ননা সুপ্রিম কোর্টনা ত্রান্সজেন্দর ওইনগা শকখঙলে অদুনদি হৌজিক ত্রান্সজেন্দরশিংবু লোৎশিনবগী মহুত্তা মখোয়গী নুংদা য়াওরিবা মী অমা ওইবগী মশক অমসুং মতিক ময়াই কয়াদু অকিবা লৈতনা ফুদোকপা ঙম্নবা অমদি চাউথোকপা ঙম্ননবা হোৎনবা মতম ওইরে। অদুম ওইনমক লাইবক থিবা অমনা ত্রান্সজেন্দর কম্যুনিতিগী প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা খন্থরগা সুপ্রিম কোর্টনা কুমজা ২০১৪গী এপ্রিল ১৪দা ত্রান্সজেন্দর রাইটসকী মতাংদা শিংথানীংঙাই ওইরবা জজমেন্ট অমা পাস তৌদুনা থা তরুক্কী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্লবা সেন্ত্রেল অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈত্রিবা অসিনি। মরকসিদা মণিপুর ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিনা ‘অং তামো, ‘হিরামোটি ভর্সেস কাইকু’ নচিংবা দিজিটেলগী ফিল্ম কয়া পুথোক্তুনা ত্রান্সজেন্দরগী লমদা মীয়াম্বু এৱ্যার্নেস কয়া পীরকপসি য়াম্না ফবা অওনবা অমনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৪

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি অরিবা চেংলৈ ৱাহৈনি/মসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু : (ক) কায়নৌ (খ) মমোইরেং।

২। “নোংপোক কোরৌ খোঙথাফম/ভারতকী শমজী লংদাইফম/প্রকৃতিগী নুংঙাইবা শান্নফম।” পরেংশিং অসি ‘ইরৈবাক’ কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। “তাও! মীকপ মীরাউখোলসে/অসুক নুংঙাইরবা মীৎকুপসিদা/অমুক্তা তাওনে, নঙবু।” পরেংশিং অসিনা কবি প্রহ্লাদ শর্ম্মগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। মণিপুরী সাহিত্যদা বাইওগ্রাফী ইবা অহানবা নুপীদি থোইবী দেবীনি। মানা ইরম্বা বাইওগ্রাফী অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। “কোহিন্নুরগী মশাইগোন্দা” কৌবা লমকোয় ৱারীদুগী অইবা কনানো? মমিং হায়য়ু।

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জানুৱারী ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**